HUEIYEN LANPAO

## ঈকং থোকপদগী শা ৬২,৫৮৫ শিরে

দার এস সালাম, জন্যুৱারী ১৫ (এজেন্সী): তাঞ্জানিয়াগী অৱাংথংবা দিষ্ট্রিক্ট সিমানজিরোদা মতম শাংনা ঈকং থোকপদা য়ামদ্রবদা শা ৬২,৫৮৫ শিখ্রে হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

সিমানজিরো দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী ভাইস-চ্যেরমেন সেন্দিয়ু লাইজরনা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী কাউন্সীল্লরশিংগী মীটিং অমদা হায়খি মদুদি, দিষ্ট্রিক্ট অদুগী ঈকংগী ফীভম হৌজিক মীপায়নিংঙাইনি। ঈকংদা শিখিবা শা ৬২,৫৮৫কী মনুংদা ৩৫,৭৪৬না ষন-ইরোইনি, ১৫,১৩৬না য়াওশিংনি, ১০,০৩৩না হামেংশিংনি অমসুং ১,৬৭০না গধাশিংনি। দিষ্ট্রিক্ট অদুগী ভিলেজ পুন্নমক্তা ঈকং থোকপদা শিখিবা শাশিংগী মশীং লাইভষ্টোক ওফিসলশিংনা মখা তানা খঙদোক্লবা হোৎনরি। মতম কয়া হেন্না শাংনা ঈকং থোকপা অসিনা শা-ষনশিং লোইরিবশিংবু ঈশিং খরা ফংবা অমসুং শজিক পীজনবা নাপী শিংবী খরা হৌবা মফমশিংদা তঙাইফদনা পুথোক্লবা হোৎনরি হায়না লাইজরনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

এম পি অমা ওইরিবা কৃষ্টোফর ওলে সেন্দেকানা হায়খি মদুদি, ঈকং থোকপদুনা মরম ওইদুনা শা-ষন লোইরিবা মীওইশিং তঙাইফদনা মখোয়গী শাশিং অদু য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংদা পুদুনা শজিক পীজনবা হোৎনবা য়াওরে। তাঞ্জানিয়াদা অৱাংথংবা অমসুং ময়াইথংবা শরুক্তা ঈকং তোয়না থোক্তুনা লাক্লি।

## য়ু এস গভর্ণমেন্টনা হায়জবদগী রসিয়ানা টোপ হেক্করশিং ফাগৎখ্রে, য়ু এসতা এক্সট্রদাইট তৌরোই

মোস্কো, জন্যুৱারী ১৫ (এজেন্সী): য়ু এস গভর্ণমেন্টনা হায়জবদগী রসিয়ানা ইভিল কৌবা মমিং চৎলবা হেক্কর গ্রুপ অমগী মেম্বর কয়া ফাগৎখ্রে। অমেরিকাগী অচৌবা কম্পনি কয়াদা এট্টেক কয়া চথুখিবদা গ্রুপ অদু চেন্নে হায়বসি খঙলবা মতুংদা রসিয়ানা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি।

চহী কয়ামরুম ওপরেট তৌরক্লবা ইভিলনা মালিসস সোফ্টৱ্যের শীজিন্নদুনা, ইনফোর্মেসন ইনক্রিপটিং অমসুং দিক্রিপসন তৌনবা শেল চাউনা দিমান্দ তৌদুনা য়ু এসকী হায়-টেক কম্পনিশিংদা এট্টেক কয়া চথুখি। রসিয়াগী ইন টরফেক্স ন্যুজ সর্ভিসকী মতুংইন্না য়ু এস গভর্ণমেন্টনা হায়জবদগী দোমেষ্টিক সিক্যুরিটি এজেন্সী এফ এস বিনা আরইভিল হেক্কিং গ্রুপকী মেম্বর কয়ামরুম ফাগৎখ্রে।

এফ এস বিনা গ্রুপ অদুগী মেম্বর ১৪গী মায়োক্তা চথুখিবা রেইদ অমদা রুবল মিলিয়ন ৪২৬ (দোল্লর মিলিয়ন ৫.৬)কা লোয়ননা দোল্লর ৬০০,০০০গী ক্রিপ্টোকরেন্সি অমসুং লকজরি কার ২০সু ফাগৎখি।

রিপোর্ট অদুনা ইন্টলিজেন্স সর্ভিসকী ৱারোল পল্লদুনা হায়, রসিয়াগী এফ এস বিনা আরইভিল ক্রিমিনেল কম্যুনিটিগী কম্পোজিসন মুন্না খঙবা ঙম্লে। কম্যুনিটি অসিগী মেম্বরশিংনা লোনা য়াদবা মওংদা মিন্স ওপেমেন্ট সার্ক্যুলেসন



তৌবা অমসুং ইলিগেল এক্টিভিটিজশিং দোক্যুমেন্টেসন তৌবদা চেন্নে হায়বসিসু খঙলে।

এজেন্সী অসিনা ক্রাইম কয়া তৌবদা গ্রুপ অসিনা শীজিন্নরম্বা কম্প্যুটর ইক্বিপমেন্ট অমসুং ক্রিপ্টো ৱাল্লেটশিংসু ফারে। ওপরেসন অদুগী রিজল্টশিংগী মরমদা য়ু এস ওথোরিটিশিংগী মীহুৎশিংদা খঙহনখ্রে হায়না এজেন্সী অসিনা ফোঙদোকখি।

য়ু এসকী জো বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসন্না রসিয়াদা লৈবাক অসিদা ওপরেট তৌরিবা রেন্সমৱ্যের গেঙশিং ফাননবা তকশিন্দুনা লাকখিবনি। কুমজা ২০২১গী মেদা য়ু এসকী কোলোনিয়েল পাইনলাইনগী মায়োক্তা অচৌবা রেন্সমৱ্যের এট্টেক অদুগা ইভিল হেক্করশিংগা মরী লৈনরমখি। থা অদুমক্তদা মিট সপ্লায়র জে বি এসকী মায়োক্তা চথুখিবা সাইবর এট্টেক অমদসু ইভিল চেন্নরমখি। এট্টেক অদুনা কম্পনি অসিগী য়ু এসতা লৈরিবা প্রোসেসিং প্লান্টশিং থিংজিনহনখি। কুমজা ২০২১গী অনীশুবা ক্বার্টর হায়বদি এপ্রিলদগীনা জুন ফাওবগী মতম অসি রেন্সমৱ্যেরগী মরুওইবা মতম ওইখি। মতম অদুদা রেন্সমৱ্যের হায়বসি য়ু এস এদমিনিষ্ট্রেসনগী হায় প্রোফাইল সাইবর এজেন্দা আইটেম অমা ওইখি। মদু কোলোনিয়েল পাইপলাইন এট্টেক্কী মতুংদনি হায়না মেকএফ্রী ইন্টরপ্রাইজকী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

ক্রিপ্টোকরেন্সিশিংগী ইথিলনা মরম ওইদুনা পেন্দমিক্কী হৌখিবা থা ১৮ অসিদা থোকখিবা মালেমগী ওইবা সাইবর সিক্যুরিটি থৌদোকশিংগী চাদা ৭৯দা রেন্সমৱ্যের চেন্নখি। অদুগুম্বা থৌদোকশিং অদু কোর্ন্টি অমসুং আরইভিল রেন্সমৱ্যের এট্টেকশিংনা মকোক্তা লৈখি। মসি হন্দক্তা গ্লোবেল সাইবর সিক্যুরিটি ফার্ম সোফোসকী রিপোর্ট অমনা হায়বনি। ষ্টেটনা স্পোন্সর তৌবা হেক্করশিংনা চয়োল অসিদা য়ুক্রেনদা সাইবর এট্টেক চাউনা চথুদুনা গভর্ণমেন্টকী ৱেবসাইট কয়া মথৌ তৌহনখিদে। মসি রসিয়াগা কন্না উংখৎনবা লৈরিঙৈ মরক্তনি।

## সমুদ্র খোংনুংদা মৈগী চীং পোকখায়রকপদগী তোঙ্গানা সুনামি ৱার্নিং ইস্যু তৌখ্রে

নুকুৱালোফা, জন্যুৱারী ১৫ (এজেন্সী): থাংজ নুমীৎতা সমুদ্র খোংনুংদা মৈগী চীং পোকখায়রকখিবগী থৌদোক অমগী মতুংদা পেসিফিক লৈবাক তোঙ্গানা সুনামি ৱার্নিং ইস্যু তৌখ্রে।

সমুদ্র খোংনুংদা মৈগী চীং পোকখায়বদুনা মরম ওইদুনা অচৌবা ঈথক ঈপোম কয়া হৌরক্তুনা সমুদ্র মপানদা য়ৈখি অমসুং মীয়াম্না অৱাংবা মফমশিংদা চেনখৎনখি। অপীকপা লৈবাক অসিগী কম্যুনিকেসন সিষ্টম ফেল ওইখিবদগী মীশি-মীনাশিং নৎত্রগা অমাঙ-অতা থোকপগী পাউশিং খুদক্কী ওইনা খঙবা ঙমখিদে।

সোসল মীদিয়াদা থাগৎপা ভিদিও পোষ্টশিংদা অচৌবা ঈথক ঈপোমশিংনা সমুদ্র মপানগী এরিয়াশিংদা হাজিল্লক্তুনা য়ুম-কৈশিংগী অকোয়বদা ঈশিং চঙশিল্লকপগী শক্তমশিং উখি। তোঙ্গা শীন-থুংনা সুনামি ৱার্নিং চৎনহনখ্রে হায়না তোঙ্গা মিটিওরোলোজিকেল সর্ভিসেসনা ফোঙদোকখি।

ন্যু জিলেন্দগী মিলিটরিনা ফোঙদোরকখিবদা, ফীভম অদু মোনিটর তৌরি অমসুং হায়রকপা মতমদা মতেং পাংননবা শেম-শাদুনা লৈরি। ঈথৎ লৈবাক অদুগী ন্যুজ সাইট অমগী রিপোর্টতা পুলিস অমসুং মিলিটরি ক্রুপশিংগী কনবোই অমনা তোঙ্গাগী নিংথৌ তুপৌ ৬শুবা সমুদ্র মপানদা লৈবা মহাক্কী



কোনুংদগী পুথোকখ্রে হায়না পনখি। মহাক অৱাংবা মফমদা চেনখৎনবা হোৎনখিবা মফম অদুগী মীওইশিংগী মরক্তা য়াওরম্বনি।

ইনৌ নৌনা হুঙ্গা তোঙ্গা-হুঙ্গা হাপাই মৈগী চীং পোকখায়রক্লিবসি ইরাই নুমীৎতা সুনামি ৱার্নিং লৌথোকখিবা মতুং পুং খরগী মতুংদনি। ডা. ফকাই লোতুঙ্গা তাওমোফোলাও কৌবা ত্বিটর য়ুজর অমনা থাগৎপা ভিদিওদা ঈশিং ঈপোমশিংনা সমুদ্র মপানদা শাফু কন্না য়ৈশিনবগী শক্তম উখি। মৈগী চীং পোকখায়রকপগী মখোল তশেংনা তাখি অমসুং মখোল অদু তাবদা কিনিংঙাই ওইখি হায়না মহাক্না ইখি। মদুগী মমাঙদা মতাঙ্গি তোঙ্গা ন্যুজ সাইটকী রিপোর্টতা ইরাই নুমীৎকী অঙনবদা পোকখায়বা হৌখিবা মতুংদা মৈগী চীং অদুগী মনাক্তা অচৌবা পোকখায়বা, অখাক-অরাও থোকপনচিংবা সাইন্টিষ্টশিংনা উবা ফংখি হায়না পনখিবনি।

সাইট অদুনা মখা তানা হায়, সেটিলাইট ইমেজশিংনা কিলোমিটর মঙা পাক্লা উৎ, মনিল অমসুং গ্যাস নুংশিৎতা কিলোমিটর ২০ লোম ৱাংনা পাইখৎপগী শক্তম উৎখি। সুভাদা ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকখিবদা, ঈশিং মনুংদা মৈগী চীং পোকখায়রকখিবদু অদুক্কী মতিক কনখি। মদুদি কিলোমিটর ৮০০ লোম হেন্না লাপ্পা ফিজিদা য়াম্না হৌবা অখাক-অরাওগী মখোল তাখি। নক্লনা লৈরিবা ফিজিগী ওথোরিটিশিংনসু ৱার্নিং ইস্যু তৌদুনা মীয়ামদা সমুদ্র মপালদা লৈতনবা খঙহনখি। কিলোমিটর ২,৩০০ হেন্না লাপ্পা ন্যু জিলেন্দদসু ওফিসলশিংনসু মীয়ামদা ৱার্নিং তৌখি।

## য়ুক্রেননা য়ু এস, রসিয়া য়াওনা মীফম পাঙথোকপগী ৱাফম হৌদোকখ্রে



কিভ, জন্যুৱারী ১৫ (এজেন্সী): য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট ভোলোদিমির ভেলেস্কিনা য়ু এস অমসুং রসিয়াগী মহাক্কী লেংমান্নবশিং জো বাইদেন অমসুং ৱ্লাদিমির পুটিনগা লোয়ননা ত্রাইলেটরেল মীফম অমা পাঙথোকপগী ৱাফম হৌদোকখ্রে হায়না সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

এজেন্সীগী রিপোর্টনা হায়, জেলেস্কিনা প্রোপোজেল অদু য়ু এস বাইদেনদা খঙহনখ্রে হায়না য়ুক্রেনিয়ন প্রসিদেন্টকী ওফিসকী হেদ এন্দ্রিয়ে য়েৰ্মাকনা ফোঙদোরকখি। য়েৰ্মাকনা ৱাফম অসি য়ুক্রেনদা হান্না য়ু এসকী এম্বেসেদর ওইরম্বা জোন হর্বষ্টকা ৱারী শানবদা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্টকী ৱাফম অসিগী মতাংদা রসিয়াগী মায়কৈদগী করি হায়রকপগে হায়বদু ঐখোয়না ঙাইরি। তৌইগুম্বসুং অমেরিকান পার্টনরশিংনদি প্রোপোজেল অসিবু থৱায় য়াওনা য়ানিংবা ফোঙদোরক্লে। য়েৰ্মাককী মতুংইন্না লুচিংবা অহুমগী মীফম অদু ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা পাঙথোকপা য়াই। য়ুক্রেনগী বোর্দরদা রসিয়ানা মিলিটরি ফোর্সশিং শেমগৎ শাগৎলকপগা মরী লৈননা হন্দক্তা য়ুক্রেন, য়ু এস অমসুং নোংচুপলোমগী অতৈ লৈবাক খরনা কন্না নুংনাংবা ফোঙদোকখিবনি। জন্যুৱারী ১০দা য়ু এস অমসুং রসিয়ানা জিনিভাদা সিক্যুরিটি মীফম পাঙথোক্তুনা য়ুক্রেন অমদি অতৈ ইস্যুশিং খন্নখি। ৱারী শানবদু লোইরবা মতুংদা রসিয়ন দেপ্যুটি ফোরেন মিনিষ্টরনা য়ুক্রেনদা এট্টেক তৌনবা রসিয়াগী থৌরাং লৈতে হায়খি।

## টর্কি অমসুং অর্মেনিয়ানা মাঙজৌননা কন্দিসন থম্নদনা মখা তানা ৱারী শানবগী ৱাফম য়ানখ্রে

অঙ্করা জন্যুৱারী ১৫ (এজেন্সী): টর্কিনা হায়খ্রে মদুদি, মোস্কোদা টর্কিশ অমসুং অর্মেনিয়ন এনভোইশিংগী মরক্তা অহানবা ওইনা ৱারী শানখিবা পূক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইখি অমসুং মখোয়না মাঙজৌননা কন্দিসন অমত্তা থম্নদনা মখোয়গী মরী মপুং ফানা মহৌশাগী ফীভমদা লাকহন্নবা মখা তানা নিগোসিএসন চথুরগনি।

টর্কিশ ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, পূক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা অমসুং কন্সত্রক্টিভ এটমোস্ফিয়ার অমদা পাঙথোকখিবা মখোয়গী অহানবা মীটিংদা স্পেসল রিপ্রজেন্টেটিভশিংনা টর্কি অমসুং অর্মেনিয়াগী মরক্তা দাইলোগকী খুথাংদা নোর্মেলাইজেসন প্রোসেস চথুবগী মতাংদা মখোয়দা লৈরিবা মোতশিং ফোঙদোক্লখি।

পার্টিশিংনা মপুং ফানা মহৌশাগী ফীভমদা লাকহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা মাঙজৌননা কন্দিসন অমত্তা থম্নদনা মখা তানা নিগোসিএসন চথুবগী ৱাফম য়ান্নখি। মখোয়গী অনীশুবা মীফমগী মতম অমসুং মফম দিপ্লোমেটিক চেনেলশিংগী খুথাংদা মতম চানা লেপকনি। য়ুমথংনরিবা লৈবাক



অনী অসি দিপ্লোমেটিক মরী লৈনদবনা মরম ওইদুনা টর্কি অমসুং অর্মেনিয়াগী মখোয়গী স্পেসল এনভোইশিং খনখি অমসুং মখোয়না চহী য়াম্লক্লবা য়েংথিনবগী ফীভম লোইশিন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা ইরাই নুমীৎতা অহানবা মীফম পাঙথোকখি।

টর্কিনা য়ু এসতা থাবা হান্নগী এম্বেসেদর সের্দার কিলিকপু স্পেসল রিপ্রজেন্টেটিভ হাপখি অমসুং অর্মেনিয়ানা নিগোসিএসন অদুগীদমক্তা নেসনল এসেমব্লী দেপ্যুটি স্পিকর রুবেন রুবিনয়ানবু খনখি। মীফম অসিগী মতুংদা ইষ্টানবুল অমসুং য়েরেভানগী মরক্তা চার্টর ফ্লাইটশিং লৈহনবা হৌরগনি। য়েৎনরিবা লমদম নগোর্নো-করাবাখকা মরী লৈননা অর্মেনিয়া অমসুং অজরবাইজানগী মরক্তা শোক্লখিবা অহানবা লান মনুংদা কুমজা ১৯৯৩দা টর্কি অমসুং অর্মেনিয়াগী মরী শোকচিনখিবনি।

লান অদুদা অঙ্করানা বাকু শৌগৎতুনা য়েরেভানগা লোন্নবা বোর্দর থিংজিনখিবনি। অমেরিকা অমসুং স্বিটজরলেন্দনা ৱাতেমদুনা কুমজা ২০০৮-২০০৯দা টর্কি অমসুং অর্মেনিয়ানা মহৌশাগী মরী হঞ্জিনহন্ননবা কন্না হোৎনখি। তৌইগুম্বসুং অজরবাইজানগী মায়কৈদগী প্রেসর কন্না পীরকপদগী মখোয়না হোৎনরিবদু ফেল ওইখি। অদুবু হৌখিবা চহীগী লানদা নাগোর্না-করাবাখকী অকোয়বদা লৈবা অর্মেনিয়াগী লমশিং বাকুনা লৌশিনখিবদগী অঙ্করা অমসুং য়েরেভানগী মরক্তা নৌনা মরী শম্নরকপা য়াবগী ফীভম লাকখিবনি।

## ইন্দোনেসিয়াগী লৈবাক ১৪গী মীওইশিং চঙবা য়াহল্লগনি

জকার্টা, জন্যুৱারী ১৫ (এজেন্সী): ইন্দোনেসিয়ানা কোভিদ ইনফেক্সন লাকশিন্নবা হোৎনবদা লৈবাক ১৪দগী লাকপা ভিজিটরশিংনা চঙবদা অথিংবা থল্লম্বদু লৌথোক্লে হায়না ইন্দোনেসিয়ান গভর্ণমেন্টনা লাউথোকখ্রে হায়না কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সনা ফোঙদোরক্লি।

টাস্ক ফোর্স অসিগী মতুংইন্না ইন্দোনেসিয়াগী শেল-থুমগী থবক থৌরমশিং মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিনহন্নবা অমসুং টুরিজম সেক্তর চাউখৎহন্নবগী মীৎয়েংগা লোয়ননা অথিংবা থল্লম্বদু লৌথোকখিবনি। টাস্ক ফোর্সকী স্পোক্সপর্সন ৱিকু অদিসাসমিতোনা হায়, ইন্দোনেসিয়ানা অথিংবা লৌথোক্লবা লৈবাক ১৪ অদুদি সাউথ অফ্রিকা, বোটস্বানা, নোর্ৱে, ফ্রন্স, এঙ্গোলা, জাম্বিয়া, জিম্বাবৱে, মলাৱি, মোজাম্বি, নামিবিয়া, ইসৱাতিনি, লেসোথো, বৃটেন অমসুং দেনমার্কনি।

অথিংবা অদু মখা তানা থম্বা তারবদি মদুনা ক্রোস-বোর্দর মুভমেন্টশিং খুদোংচাহল্লোই হায়না স্পোক্সপর্সন অদুগী ৱারোল পল্লদুনা ন্যুজ এজেন্সী অমনা হায়রি। অদিসাসমিতোনা মখা তানা হায়, অতৈ ইন্টরনেসনল ট্রাভেল্লরশিংগুম্না হৌজিক লৈবাকশিং অদুগী ভিজিটরশিংনা ইন্দোনেসিয়াদা চঙলকপদা শুপ্নতগী নুমীৎ ৭নিগী ক্বারন্টিনগীদমক মথৌ তাহনগনি।

## অহানবা ওইনা বৃটেনগী জি দি পি প্রি-পেন্দমিক থাক্তগী হেল্লে

লন্দন, জন্যুৱারী ১৫ (এজেন্সী): বৃটেনগী গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক্ট (জি দি পি) কুমজা ২০২১গী নবেম্বরদা চাদা ০.৯ হেনগৎতুনা অহানবা ওইনা কুমজা ২০২০গী ফেব্রুৱারীদা লৈখিবা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক থাক অদুদগী চাদা ০.৭ হেনগৎলে হায়না নেসনল ষ্টেটিষ্টিক্সকী ওফিসল অমনা হায়রি।

নেসনল ষ্টেটিষ্টিকেল ইন্সটিট্যুটনা হায়, কুমজা ২০২১গী ওক্টোবর অমসুং নবেম্বরগী মরক্তা সর্ভিসেস, প্রদক্সন অমসুং কন্সত্রক্সনগী আউটপুট হেনগৎখি। সর্ভিসেস অমসুং কন্সত্রক্সন আউটপুট পেন্দমিক মমাঙগী লেভেল অদুদগী চাদা ১.৩ হেনগৎখি অমসুং প্রদক্সননা চাদা ২.৬ হন্থদুনা লৈখি। অপূনবগী ওইনা থা ৩গী মনুংদা জি দি পি চাদা ১.১ হেনগৎখি।

## ইনাক খুনবা অফঘানশিং অমসুং চাইনিজ মচাশিংদা পর্মিনেন্ট রেসিদেন্সি পীরগনি

ইস্লামাবাদ, জন্যুৱারী ১৫ (এজেন্সী): পাকিষ্টান গভর্ণমেন্টনা ফোরেন ইনভেষ্টরশিংদা পর্মিনেন্ট রেসিদেন্সি ওফর তৌনবা ৱারেপ লৌখ্রে। ৱারেপ অসি মরুওইনা ইনাক খুনবা অফঘানশিং, চাইনিজ অমসুং অমেরিকান সিখশিংদগী ইনভেষ্টমেন্ট চাউনা লাকহন্নবগী পান্দমদা পাকিষ্টান গভর্ণমেন্টনা লৌখিবনি হায়না দোন রিপোর্ট অমনা হায়রি।

ইরাই নুমীৎকী নুমীদাং অথেংবদা ত্বিট অমদা ইনফোর্মেসন মিনিষ্টর ফৱার্দ চৌধুরিনা হায়খি মদুদি, পাকিষ্টাননা জিও-ইকনমিক্সপু লৈবাক অসিগী নেসনল সিক্যুরিটি ডোক্তরনি হায়না লাউথোকখ্রবা অনৌবা নেসনল সিক্যুরিটি পোলিসীগা চান্নবা গভর্ণমেন্টনা ফোরেন নেসনলশিংগীদমক্তা পর্মিনেন্ট রেসিদেন্সি স্কিম চৎনহন্নবা ৱারেপ লৌরে। অনৌবা পোলিসী অসিনা ফোরেনরশিংবু লৈবাক অসিদা ইনভেষ্টমেন্ট চাউনা তৌহনবগী পান্দমগা লোয়ননা পর্মিনেন্ট রেসিদেন্ট ষ্টেটস ফংবা য়াহল্লি। গভর্ণমেন্টনা থাজরি মদুদি খোঙথাং অসিনা ফোরেন ইনভেষ্টরশিংদা পাকিষ্টানি নেসনেলিটি অমসুং প্রোপ্রাইটরি রাইটশিং পীদুনা দোল্লর বিলিয়ন কয়াগী ফোরেন ইনভেষ্টমেন্ট লাকহনগনি।

হীরম অসিগী মতাংদা নোলেজ লৈবা গভর্ণমেন্ট ছোর্স অমনা দোনদা হায়খি মদুদি, গভর্ণমেন্টনা ইরান, টর্কি অমসুং মালেসিয়াগুম্বা লৈবাকশিংদা লৈরিবা ইনাক খুনবা অফঘান নেসনলশিংবু পাকিষ্টানদা শেনফম চাউনা ইনভেষ্ট তৌহনবা পাম্মী। মসিদা নত্তনা য়ু এসতা লৈবা সিখ নেসনলশিংনসু পাকিষ্টানদা তোঙান তোঙানবা সেক্তরশিংদা ইনভেষ্ট তৌরকপদা পাকিষ্টান গভর্ণমেন্টনা তরাম্না ওক্কনি। রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না য়ু এস অমদি অতৈ লৈবাক কয়াদা লৈরিবা ইনাক কৈরাক খুল্লবা সিখ কয়া পাকিষ্টানদা লৈরিবা সিখ লাইনিং-লাইশোনগী মফমশিংগী খল্লগা লৈবাক অসিদা লাকপা অমসুং লৈবা পাম্মী।

## ইন্দোনেসিয়াদা য়ুহা হাবদা অমাঙ-অতা চাউনা থোকখ্রে, মীওই ২ শোক্লে

জকার্টা জন্যুৱারী ১৫ (এজেন্সী): ইন্দোনেসিয়াগী কেপিটেল জকার্টা অমসুং মসিগী অকোয়বা প্রোভিন্সশিংদা মেগনিট্যুদ ৬.৬ য়ৌনা য়ুহা কন্না হাখিবগা লোয়ননা য়ুম অমসুং বিল্ডিং ৯০০ হেন্না অমাঙ-অতা থোকখ্রে অমসুং মীওই অনী অশোক-অপন নংখ্রে হায়না থাংজ নুমীৎতা দিজাষ্টর এজেন্সীগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

মিটিওরোলোজি, ক্লাইমেটোলোজি অমসুং জিওফিজিক্স এজেন্সীগী মতুংইন্না ইরাই নুমীৎকী নুংথিল পুং ৪.০৫ তাবা মতমদা য়ুহা হাখিবা অদুগী ইপিসেন্টরদি পানদেগলাং দিষ্ট্রিক্টকী সুমুর সব-দিষ্ট্রিক্টকী খা নোংচুপলোমদা কিলোমিটর ৫২ রোম লাপ্পা মফমদা ওইখি। য়ুম-কৈ অমদি বিল্ডিংশিং মাঙ-তাকপগী



থৌদোক য়াওনা বান্টেন প্রোভিন্সকী পানদেগলাং দিষ্ট্রিক্টতা থোকখি। অতৈ অমাঙ-অতা থোকখিবা দিষ্ট্রিক্টশিংদি প্রোভিন্স অসিগী লেবাক অমসুং সেরাং লোয়ননা ৱেষ্ট জাভা প্রোভিন্সকী বোগোর অমসুং সুকাবুমি দিষ্ট্রিক্টশিংনি। জকার্টাদা য়ুহা হাবা অদুদা মীপায়নরবা মীওইশিং, অৱাংবা বিল্ডিংশিং, মোলশিং অমসুং য়ুমশিংদগী চেন্থোক্লরকখি। তৌইগুম্বসুং কেপিটেল সিটি অসিদা মীশি-মীনাশিং থোকপগী পাউদি ফংখিদে।

ওফিসলশিংগী মতুংইন্না য়ুহা হাবা অদুদা শোকহনখিবা সিটিশিংদা পুন্না য়ুম অমসুং বিল্ডিং ৯২২ মাঙতাকখি। পানদেগলাং দিষ্ট্রিক্টতা য়ুম ৭৪৫ অমসুং হেল্থ ক্লিনিক, স্কুল, লাইনিং-লাইশোনগী মফমশিংগুম্বা বিল্ডিং ৩৫ অকায় অতোয় থোকখি হায়না প্রোভিন্সিএল দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী মীওই অমনা ফোঙদোকখি।

ওফিসল অসিনা মখা তানা হায়খি মদুদি, দিষ্ট্রিক্ট অদুদা অমাঙ-অতা কয়া থোক্লবসু শুপ্নগী মীওই অনীতমক অশোক-অপন নংখি। মখোয়গী ফীভম অরুবা ওইদে। মীয়াম্না য়ুহা হাবগুম্বা দিজাষ্টরশিংগীদমক্তা নীংথিনা শেম-শাদুনা লৈনবদগী মীশি-মীনা থোক্ত্রিবনি।

## ফ্রেঞ্চ হেল্থ ওথোরিটিনা নুভাক্সোভিদ ভেক্সিন এপ্রুভ তৌখ্রে

পেরিস, জন্যুৱারী ১৫ (এজেন্সী): ফ্রেঞ্চ নেসনল ওথোরিটি ওফ হেল্থনা নুভাক্সোভিদ ভেক্সিন কোভিদ-১৯গী মায়োক্তা শীজিন্ননবা ওফিসল ওইনা এপ্রুভ তৌখ্রে।

হেল্থ ওথোরিটিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, তোঙান তোঙানবা ষ্টদিশিংগী দেটানা নুভাক্সোভিদ ভেক্সিন অসি লায়ওং উৎপা কোভিদ-১৯ (চাদা ৯০ রোম)গী মায়োক্তা শীজিন্নবদা ইফিসেন্সি ৱাংনা লৈ হায়বসি উৎলে। মরুওইনা ভেক্সিন অসি অরুবা লায়নাগী মায়োক্তা শীজিন্নবা ইফিসেন্সি চাদা ৯০ রোম লৈ হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।




অমেরিকান বাইওটেক্নোলোজি কম্পনি নোভাভেক্সনা শাবা নুভাক্সোভিদ অসি চহী ১৮ মথক্কী মীওইশিংদা শীজিন্নবদা খুদোংচাই। দোজশিংগী মরক্তা চয়োল অহুমগী গেপ লৈগদবনি। হেল্থ ওথোরিটিনা হায়খি, নোভাক্সোভিদ ভেক্সিন অসি মমাঙদা ভেক্সিন দোজ অমত্তা কাপত্রিবা মীওইশিংদা শীজিন্নবা য়াই। এম আর এন এ ভেক্সিনশিং কাপ্পা য়াদ্রবা মীওইশিংদসু নোভাক্সোভিদ থাবা য়াগনি। মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থনা হায়, নোভাক্সোভিদ ভেক্সিন অসি ফেব্রুৱারীদা অহানবা ওইনা কাপ্পা হৌবা য়াগনি অমসুং অহানবা ত্রাইমেষ্টরদা দোজ মিলিয়ন ৩.২ য়ৌরক্কনি। ভেক্সিন অসিগী অহানবা বেটচ জন্যুৱারীগী অরোইবা শরুক্তা থুংলরগনি। ফ্রান্সতা শীজিন্ননবা অয়াবা পীরবা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন মঙাদি ফাইজর/বাইওএনটেক, মোদর্না, অষ্ট্রাজেনেকা, জানসেন অমসুং নোভাক্সোভিদনি।

## হোংকোংদা এন্টি পেন্দমিক্কী চেকশিন থৌরাংশিং শাংদোকহনখ্রে

হোংকোং, জন্যুৱারী ১৫ (এজেন্সী): হোংকোংদা হৌজিক চৎনহল্লিবা এন্টি-কোভিদকী চেকশিন থৌরাংশিং মখা তানা নুমীৎ ১৪নি শাংদোকহন্দুনা ফেব্রুৱারী ৩ ফাওবা চৎনরগনি হায়না সিটি অসিগী চীফ এগজিক্যুটিভ কেরিলামনা লাউথোকখ্রে।

হৌজিক চৎনরিবা এন্টি-কোভিদ চেকশিন থৌরাং অসি জন্যুৱারী ৭তগী ইফেক্টিভ ওইরকখিবনি। চেকশিন থৌরাংশিং অদুগী মনুংদা নুমীদাংগী মতমদা রেষ্টুরেন্টশিংদা দাইনিং তৌবদা অথিংবা লৈ। সিনেমা হোলশিং, জিমশিং অমসুং ব্যুটি পালরনচিংবা মফমশিং হাঙবা



য়াহন্দে। ওষ্ট্রেলিয়া, বৃটেন, কনাদা, ফ্রান্স, ইন্দিয়া, পাকিষ্টান, ফিলিপিন্স অমসুং য়ু এসতগী লাকপা পেসেঞ্জর ফ্লাইটশিং মখা তানা ফেব্রুৱারী ৪ ফাওবা অথিংবা লৈগনি হায়না লামনা ফোঙদোকখি। মঙাশুবা রাউন্দগী এন্টি-পেন্দমিক ফন্দগী এপ্লিকেসনশিং মথং চয়োল ফাওবগী মনুংদা হাংগনি হায়নসু মহাক্না লাউথোকখি।

চৈরকসিদা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা হোংকোংদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ৯ থেংনখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা লৈরিবা কনর্ফম তৌবা কেস মশীং পুন্না ১৩,০২৫ শুরে। চৈরকসিদা মমাঙদা লাউথোকখ্রবা কেস ৬৯গী মপুং ফাবা জিনোম সিক্বেন্সিং এনালাইসিসনা কেস পুম্নমক কোভিদ-১৯গী ওমিক্রোন ভেরিয়েন্ট য়াওই হায়বসি উৎখ্রে। অনৌবা কেসশিং অসি থারগা হোংকোংগী ওমিক্রোন ইনফেক্সন ৩৯৬ শুরে হায়না সেন্টর ফোর হেল্থ প্রোটেক্সননা হায়রি।